HUMAN RIGHTS WATCH

# মনিং তম্না মী হাৎপা য়াহনবা

*চহি ৫০ শুরবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট*

ভারতকী আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসিয়েল পৱারস) এক্ট (অফসপা) অসি সরকারগী ওইবা অওৎ-অনৈগী শক্লোন পুবতা নত্তনা খাংঙমদ্রবা অৱা-অনাগী মরু অমসু ওইরি। চহি ৫০গী মমাং, ইং কুমজা ১৯৫৮ গী আগষ্ট ১৫দা ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমদা তোখায় তাবগী ইহৌ থেংননবা অতেনবা মতমগী থৌরাং ওইনা চৎনবা হৌখিবা আইন অফসপা অসি ‘দিস্টর্ব এরিয়ানি’ হায়রিবা মফমশিংদা চলাইরকখিবা চহি ৫০ শুরে। মসিগা মান্নবা কাহেনবা নিতিবু য়োকখৎপা আইনশিং পঞ্জাব অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদসু চৎনরি।

অফসপানা সিফাইশিংদা মী শিনবা নোংমৈ কাপ্পগী, ফাবা পুনবগী অমসুং থি-হুন্বা চথবগী অহেনবা শক্তি কয়ামুক পিরি। অদুনা মরম ওইরগা ৱায়েল চথদনা মী হাৎপা, ওৎপা-নৈবা অমসুং মী মাংহনবনচিংবা য়াওনা মশিং লাকঙমদ্রবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌদৌ কয়া থোরক্লি।

আইন অসি অথুবদা রিপিল তৌনবগী দাবীদা হিউমেন রাইটস ৱাটচসু অতৈ ভারতকি অমসুং মালেমগী হিউমেন রাইটস য়োকখৎনবা হেৎনরিবশিংগী মরক্তা য়াওরি।

ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমগী অরুনাচল প্রদেস ষ্টেটতা সিফাইশিংনা থি-হুন্বগী থবক চথবা





HUMAN RIGHTS WATCH

ভারত

# মনিং তম্না মী হাৎপা য়াহনবা

চহি ৫০ শুরবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট

# মনিংতম্না মী হাৎপা য়াহনবা
## (চহি ৫০শুরবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট)

"মখোয়না ঈশিংদু নাতোন মখুন্দগী নাকোং ফাওবমখৈ হৈরকখি, নাকোং মনুংদা শাবুং শাবুং তৌবা অমা ফাওরকই। মদুদগী মী অনিনা ঐগী খোঙ অনিসি ফাই, অতোপ্পা অমনা কোকথক্তা ফাই, অদুগা ফৈগন্দা চবেৎ চবেৎ নেৎখায়রকপনি।.......মখোয়না ৱায়ার মতোনশিংদু ঐগী থবাক্তা তক তক থেংলগা অহুমলক ইলেক্ট্রিক্কা চিংহনবনি। মদু খুদিংগী ইশা পুম্নসি চিংথেকখি।..... ঙসিসু মখোয়না ঐবু ফুখিবা অমদি ঐঙোন্দা চথখিবা অওৎ-অনৈ খুদিংদু মীৎতা শংশংনা নিংশিংলি।"

— অৱাং নোংপোক ভারতকী মণিপুরদা ভারত লান্মীনা ওৎ-নৈখিবা চহি ১৪ দা ঙায়রিবা অঙাং অমা।[১]

ইং কুমজা ২০০৮ গী আগস্ট থাদা ভারতনা মাগী মনিং-মখা তমলকপগী ৬১ শুবা কুমওন পালন তৌরি। নাকল অমদনা মীওই চা কয়া অমনা অতোপ্পা কুমওন অমা হায়বদি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট (অফসপা/এক্ট) চলাইবা চহি ৫০ শুরকপগী তেংথারি। নাগা হিলস্তা তোখায় তাবগী লালহৌ অমা মায়োক্লনবগীদমক সিফাই থাজিনবা য়ানবা অথুবা থৌরাং অমা ওইনা ইং কুমজা ১৯৫৮ কী আগস্ট ১৮ দা চলাইখিবা এক্ট অসি ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমদা চলাইরকখিবা ঙসিদি চহি ৫০ মপুং ফারক্লে। মসিগা মান্নবা আইনশিং পঞ্জাব অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা চলাইরি।

অফসপা হায়রিবা আইন অসিনা মীয়ামগী লৈঙাক-সাসনবু মতেং পাংবগী নামাদা, শিফাইশিংদা মী কাপ্পুনা হাৎনবগী; করিশু লৈতবা মরমদা মীফা-মীপুন চথনবগী, ৱারেন্ট য়াওদনা থি-হুন্না চথনবগী, লোয়ননা মীগী ময়ুম-মকৈ থুগাইনবগী পাক-চাওবা শক্তি পিরি। অসিগুম্না থোইদোকপা শক্তিশিং পিরবা সিফাইশিং অসিনা হৌখিবা চহি ৫০ অসি ভারত মচা কয়া নমজা-নমথেক্লবা, ওৎ-নৈবা, মশামাংহনখিবা অমসুং হাৎপগী থৌদোকশিং, মদুগীদমক চৈরাক ফংগনি হায়বগী করিশু নাচুংবা লৈতনা, লেপ্পুনা চথরক্লি। আইন অসিনা মালেমগী ওইনা য়ানরবা মীওইবগী হক ঙাকপগা মরি লৈনবা শিংকক কয়া, খুদম ওইনা, মীওইবগী হিংবগী হক; মরম চাদনা ফাবা-পুনবদগী ঙাকথোকচনবা হক; অমসুং অওৎ-অনৈ অমদি তমথিবা মীনুংশি হৈতবা নৎত্রগা হস্থনা য়েংবীবা অসিনচিংবদগী মনিং তমজনবা হকশিং অসি থুগাইরি। মসিদসু নত্তনা অসিগুম্না হক খোঙ্গাওনবা থবক থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎনবগী হক অদুসু মৎপিরি। ফিবম অসিদা ভারতকী ৬১সুবা নিংতম্না নুমিৎকী খ্বাইদগী মশক থোকপা খুদোলদি তমথিরবা আইন অসিবু মুথৎপতনা ওইগনি।

### *হক খোঙ্গাওনববু খুদোংচাহনবা*

অফসপা হায়রিবা আইন অসি, মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাওদা ভারতকী নিংতম ইহৌবু লাকশিন্নবা ইং কুমজা ১৯৪২গী বৃটিশ ওর্দিনান্স অমদা য়ুমফম ওইবনি। ভারত সরকারনা ১৯৫৮ গী মে থাদা অনৌবা ওর্দিনান্স অমা জারিখি; মদু ১৯৫৮ গী আগস্ট থাদা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পিখি অমদি ১৯৫৮ গী সেপ্তেম্বর ১১দা (ভারতকী) প্রসিডেন্ট কী অয়াবা খুৎয়েক ফংখি। মতম অদুদা নুংনাংনরবা (মীয়ামগী) মীহুৎশিংনা ভারত সরকারদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদৌশিং চথরক্নি হায়বা ৱাঁনিং তৌখি। মণিপুরগী মেম্বর লাইশ্রম অচৌনা পার্লিয়ামেন্টগী দিবেট মনুংদা এক্ট অসিবু 'আইন য়াওদবা আইন' অমনি হায়না মত পিরদুনা হায়খি, অফসপানা মরাল লৈজদবা মীচমশিংবু লাকথুবতা নত্তনা ফিবম অসি হেন্না শোকচিল্লক্লবা মরম ওইগনি।[২]

অহানবদদি, অফসপা অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী আসাম অমসুং মণিপুর খক্তদা চৎনরমই, লোয়ননা নাগা হোস্টাইলশিংগী খুৎলাই পাইবা লালহৌ লাকশিন্নবা পান্দমলমই। ইং কুমজা ১৯৭২ দা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্টনা মাইকৈ অসোমদা নৌনা শেমখিবা ষ্টেট ৭ হায়বদি আসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, ট্রিপুরা, মীজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেসতা শন্দোরকখি।[৩] মসিগা মান্নবা আইনশিং পঞ্জাবতা লালহৌ থেংননবা ১৯৮৫ দগী ১৯৯৪ ফাওবা চৎনখি।[৪] অফসপাগা মান্নবা আইন অমা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ১৯৯০ দগী চৎনরক্লি।[৫]

অফসপাগী মখাদা সিফাইশিংদা পিরিবা শক্তিশিং অসি এক্টসিগী মনুংচনবা মফম অমা ভারত সরকার নত্রগা ষ্টেট সরকারনা 'দিষ্টর্ব' ওইরে হায়না হেক লাওথোকপগা চৎনবা হৌই। অসুম্না লাওথোকপা অসি ৱায়েলশঙদা শিঙনবা য়াননবগী তাঞ্জা পিদে।[৬]

অফসপাগী সেক্সন ৪(এ)না মীওইবগী হিংবগী হকপু খোঙ্গাওনরি। মসিনা সিফাইশিংদা আইন চৎনহনবগী থবক থৌরাংদা মী কাপ্পুনা হাৎপা য়াহলি। লোয়ননা মালেমগী ওইবা মীওইবগী হক ঙাকপগী আইনশিংনা মীশি-মীনা থোক্লিংঙাই ওইবা পাম্নৈ শিজিন্নবগী মতাংদা থমলিবা অথিংবশিং করিমত্তা থৌশাদে। অফসপাগী মখাদা, করিগুম্না তারগেট অদুনা খুৎলাই পায়দুনা নৎত্রগনা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরকপা য়াবা পোৎলম-চৈরম পুদুনা চৎলিবা মী ৫ নৎত্রগা মদুদগী হেনবা মী কাংবু অমগী শরুক ওইরবদি অশি-অনা থোক্লিংঙাই ওইবা পাম্নৈশিং চাউরাক্লা শিজিন্নবা য়াহল্লি। অদুবু 'মী পুনবা' (এসেমব্লি) অমসুং 'খুৎলাই' (ৱিপন) হায়বা ৱাহৈশিং অসি মচা খায়না তাকতে।[৭]

সিফাইশিংগী আইন কায়বা থৌওং অমা চৎথখ্রে নৎত্রগনা চথরক্দৌরে হায়বগী চিংনবা অমদা হেক্তা কনাগুম্না মীওই অমবু ফাজিনবা য়াহল্লিবা আইন অসিগী সেক্সন ৪(সি) না মীওইবগী মনিং তম্না থবক পাংজবগী অমসুং মশাগী ঙাক-শেনবগী হক অদু মাংহল্লি। মখা তানা অফসপাদা, কনাগুম্না ফারবা মীশক অমবু খ্বাইদগী নকপা পুলিস স্তেসন্দা শিন্নবা অকক্লবা মতম পিদে। অফসপাগী সেক্সন ৫ দা, ফারবা মীওইশিংবু পুলিস কস্তদিদা হেক য়াবমখৈ থিস্থদনা শিন্নগদবনি হায়না হায়ফেৎ-শাফেৎ পাউতাক পিরি।[৮]

অচুম্বা ৱায়েল বিচারগী ৱাকৎচনবগী মী অমগী ফংফম থোকপা হক অদু আইন অসিগী সেক্সন ৬না খোঙ্গাওনরি। মরমদি মসিনা অফসপাগী ওফিসারশিংবু আইগী হৌনবী ৱায়েল চৈরাক্কী ৱাংমদা থমলি। হায়রিবা সেক্সন অসিনা ষ্টেট সরকারশিং ফাওবদা ভারত সরকারগী অয়াবা য়াওদ্রবদি মখোয়গী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা সিফাইশিংগী মায়োক্তা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং চথবা ঙমহন্দে। অসিগুম্না অয়াবসিসু পংনা পিদবনা, য়াম্না হকচিন্না শক্তি লান্না শিঞ্জিন্নবদা চেন্নরিবা সিফাইশিংবু শোকপা পুম্না ঙমদনবগী চুঙ্গোয় ১ পিবিবগা পাম্বাক ওইরি।[৯]

থবক্তা ওন্থোরকপা মতমদা অফসপা অসিনা অওৎ-অনৈদগী অমসুং তমথিবা নৎত্রগা হস্থবা মীৎয়েং শাগোন্নবা থৌদৌশিংদগী মনিং তমজনবা হক অদুবুসু খোঙ্গাওনবদা খুদোংচাহল্লি।[১০] অফসপানা কনাগুম্না অমবু ৱারেন্ট য়াওদনা ফাবা য়াহল্লিবা অমসুং ফারবা মীওইশিংবু মতম কক্তনা থমজিনবা ঙম্বগী শক্তি পিবনা মরম ওইরগা, সিফাইশিংনা মখোয়গী বেরেক্তা ইন্টোরেগেসন তৌবদা ওৎ-নৈবা অমসুং তাথিবা মওং-মতৌশিং চাং নাইনা চথরী।[১১]

হৌখিবা চহি ৫০ অসিদা অফসপাগী মখাদা দিস্টর্ব ওইরে হায়না লাওথোকখ্রিবা মফমশিং অসি মাগী মাগী মুক্নবগী ইতিহাস, কাংলুপ মখল অমসুং লালহৌ ইরাংগী থাক য়েংলুরগদি থোইদোকপা খেন্নবশিং লৈ। অদুম্নদি ওইরগা, অফসপাগী মখাদা পাক-শন্না মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী মান্নবা পুন্সিরোল অমদি মফমশিং অসিনা মায়োক্নরি। অমরোমদা ভারত সরকারনা ফংগে নিংলিবা পান্দম অদুগী ওন্ন-তৈনবা ফিভম অমা অফসপানা শেমগৎলি। অফসপা চলাইদুনা সিফাই থাজিল্লিবা স্টেট খুদিংমক্তা সিফাইশিং অসিনা অওৎ-অনৈগী সিম্বোল অমসুং কি-তুক্কৎচবা পোৎ হায়বদু ওইরি।[12]

মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদৌশিং অসিনা মুক্নবগী ফিভমশিংদা শীং য়াংবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লালহৌবশিংনা মখোয়গী মী খোমগৎপদা খুদোংচাহল্লি। মরম চাদনা মী ফাবা-পুনবা, ওৎ-নৈবা অমসুং শান্তি ওইনা য়ানিংদবা খোল্লাও লাওজরিবা মীওই কয়াবু হাৎপ-তুপ্পগী থবক চথরকপা অসিনা অহোইনদুম দোমোক্রেটিক অমদি শান্তি ওইবা ইহৌ খোংজংগী লম্বী ককথৎলকই, লুপ কয়া অন্দরগ্রাউন্দ তাহল্লকই অমদি লালহৌ ইরাং হেঙ্গৎহন্নবা মরম অমা ওইরকই।[13] অৰাং নোংপোক লমদম অসিখক্তদা হৌজিক খুৎলাই পায়বা লালহৌ লুপ ৭০ হেন্না থবক তৌরমগনি হায়না পানরি।[14] পঞ্জাবতা মুক্নবগী ফিভম ইংথখ্রবসু, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লালহৌ লুপ মশীং খঙদনা লৈরি।

লালহৌ লুপশিং অসিমকসু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক কয়াদা চেন্নরি। খুদম ওইনা অওৎ-অনৈ চৎথবা, বোম অমদি লেন্দমাইন শিজিন্নদুনা মথোং মরম খঙদনা মীহাৎ-মীপুন চথুবা, মী ফাবা-পুনবা অমসুং মখোয়না য়েক্নবনি হায়না লৌবা মীচমশিংগী মথক্তা লান্দাবা অসিনচিংবা কয়া চথুরি। লালহৌ লুপশিংনা মীচমশিংদা লান্দাবা তোক্নবা অমদি মালেমগী ওইবা হিউমেন্নটরিয়ান লো ঙাক্না চৎননবা হিউমেন রাইটস ৰাটচনা অপিল তৌরি।

*অরুনাচল প্রদেশ*

অরুনাচল প্রদেশতা দিস্টর্ব এরিয়া লাওথোকখ্রিবসি অসামগা ঙমখৈ লোন্নবা মফমশিংনি।[14] ষ্টেট অসিদা হিংশাগী থবকশিং ১৯৬০ গী চহি পরিংদা বঙ্গলাদেশতগী (ইষ্ট পাকিস্তান) য়ুম হোংলকখিবা চাকমা অমদি হাজোং ট্রাইবেলশিংদা চথুরি।[16] মফমদুগী মীয়ামনা চথুরকখিবা মীতোপ তাবা ইহৌগী মথক্তা, য়ুমলোন্নবা ষ্টেট আসাম অমসুং নাগালেন্দগী লালহৌলুপশিং ষ্টেট অসিদা মরুওইনা চঙলাং দিষ্ট্রিক্তা শৈদাংফম লৌই। মীচম কয়ানা অসিগুম্বা য়ুমলোন্নবা ষ্টেটকী লালহৌলুপ অমসুং সেকুরিতি ফোর্স অনিমক্কী হিংশা মায়োক্নরি।[17] খুদম অমা পল্লবদা, ইং কুমজা ২০০2 গী জুন ৫ দা এন এস সি এন গী মীওইশিং থি-হুম্বগী থবক্তা সেকুরিতি ফোর্সনা বোরদুরিয়াগী খুঞ্জাশিং ফুদৎলমখি।[18]

*আসাম*

ইং কুমজা ১৯৫৮ তা আসামগী শরুক খরা অফসপাগী মখাদা পুশিল্লকখ্রবসু ষ্টেট অসিদা লালহৌবগী ইরাং নৌনা কনখৎলকপদগী ১৯৯০ গী নবেম্বর থাদা আসাম পুম্বা দিস্টর্ব এরিয়ানি হায়না লাওথোকখি।[19] ষ্টেট অসিদা বঙ্গলাদেশতগী মীতোপ মশীং লাকঙমদনা থোমজল্লকখিবগী মায়োক্তা মপুংওইনা লিংখৎখিবা য়ুনাইটৈদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ আসাম (অলফা) থোরকখিবা অদুদগী আসামদা ইং কুমজা ১৯৭৯ দা লালহৌবগী ইরাং হৌরকখি। অলফা হায়বসিনা আসামগীদি হৌজিকসু মপুংওইবা লালহৌলুপ হায়বদু ওইরি। ইং ১৯৮০ গী চহি পরিংদা বোড়ো ট্রাইবেল গ্রুপশিংনা মখোয়গী তোঙানবা মরমদম অমা তানবা হৌরকখিবগা লোয়ননা আসামদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লালহৌ ইরাং থুংলখি। ইহৌ অসি নেস্নেল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোড়োলেন্দ (এন ডি এফ বি) না মপুংওইনা লমজিংবনি।[20] ভারত সরকার অমদি তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী ৱাতায় অমদা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু, আসামদা হিংশাগী থবক্তি লেপ্তুনা অদুম্মক থোকলি।

সিফাইশিংনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসনগী নামাদা হক খোঙ্গাওনবগী থবক থৌদৌ কয়া চথুরি,[21] অদুবু অফসপানা মখোয়বু মদুগী মরাল নংহন্দনবা কন্থোকলি। আসামদা অফসপাগী মখাদা খ্বাইদগী শাথিনা হক খোঙ্গাওনবা মওং অমা পনবা তারবদি পিক্লিবা অঙাং কয়াবু বন্দি ওইনা থম্বা অসিনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা জেলশিংদা চহি ৪ দগী ১২ ফাওবদা লৈবা অঙাং ২০ গী মথক্তা অহিং মীৎশেল খাংলি। খুৎলাই পায়জদবা অঙাংশিং মখোয়গী মমাশিংগা লোয়ননা ইং কুমজা ২০০৪ দা ভুটান্দা লৈবা লালহৌবগী বেজশিংদা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা ভুটানগী সিফাইশিংনা অহানবা ওইনা ফারকখিবনি। মদুদগী ভারতকী অথরিতিশিংদা শিন্নরকখিবনি লোয়ননা জেলদা থমজিল্লকখিবনি। অঙাংশিংদুগী মরাল হায়ববু মখোয় তোখায় তানিংবা কাংবুনি হায়না চিংনবশিংগী মচা ওইরুবদুনি, মদুগীদমক মখোয় জেল মনুংদা ইনখৎলকপগী পুন্সি লেল্লি।[22]

অঙাং খরদি সিফাইশিংগী মখুক্তা নমজা নমথোকপিবগী হিংশা মায়োক্নরি। ইং কুমজা ২০০5 গী ফেব্রুৱারি ৭ তা কারবি আঙলোংদা চহি ১২ দা ঙায়রিবী অঙাং নুপীমচা অমা আসাম রাইফলসকী সিফাই অমনা নমফুদা পাদোংবিখি।[23] মেদিকেল টেষ্টকী মতুংইন্না, হায়রিবা নুপীমচা অদু তুম্নবা গুলি পিজদুনা পংথহল্লবা মতুং নমফুদা পাদোংখিবনি হায়বা কনফার্ম তৌরে। মণিপুরদা মনোরামা দেবী শিবগী মতাংদা সিফাই অমসুং অফসপাগী মায়োক্তা হৌরকখিবা ইহৌ অদুগুম্বা অমা লাক্কদ্রা কিবদগী পুলিসনা চেন্নরিবা মীওই অমদি মহাক্কী তেংবাংবশিং ফাজিনখি। মফমদুগী নুপী খুনজাশিংনা ৱায়েল চৈরাক পিবীনবা দাবী তৌরি, অদুগা সিফাইশিংনা অসিগুম্বা তাহৈদ্রবা ক্রাইমশিং চথুরকপদা ৱাকোংশেল খরা পিরগা লোইশিন্নবগী পরিংদু শুকয়া য়ারোই হায়খি।[24]

*মণিপুর*

ইং কুমজা ১৯৫৮ তা অফসপা চৎনবা হৌখিবগা মণিপুরগী শরুক খরা দিস্টর্ব এরিয়ানি হায়না লাওথোকখি, অদুগা ইং কুমজা ১৯৮০ গী সেপ্তেম্বর ৮ য়ৌরকপদদি মণিপুর ষ্টেট পূম্বা মসিগী মখাদা পুশিল্লকখি।[25]

মণিপুরগী নাগা ট্রাইব খরনা খুৎলাই পায়বা নাগা লালহৌবু শৌগৎপগা লোয়ননা, মণিপুরগী ইথনিক কাংলুপশিংনসু ইং কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ভারত্তা মর্জ তৌখিবা অদুগী ময়োক্তা তোখায় তানিংবগী ইহৌ চথুবা হৌরকখি। মুক্নবা অদু অসুম চাউথোরক্তুনা তোঙান তোঙানবা ইথনিক অমদি ট্রাইবেল কাংলুপশিংদা য়ুমফম ওইবা লালহৌলুপ মশীং খঙদনা থোরকখি। কাংলুপ মশেলগী মরক্তসু মুক্নবা থোরকখি লোয়ননা মীচমশিংদা শাথিবা মওংদা লান্দাবা য়াওরকখি অমদি নমফু শেনখায়না মপান শারকখি। মুক্নবা থোরকপগী মরমশিংগী মনুংদা লম য়েন্থোক্নবগী মতাংদা তেমশিংনরকপা, টেক্স হেঙ্গৎলকপা অমসুং ট্রাইবেলশিংগী মরক্তা মান্নদবা মীৎয়েং থম্মকই হায়বনচিংবনি।[26]

হৌখিবা চহি ৫০ অসিদা কাওন্টর-ইন্সরজেন্সি ওপরেসন্দা শরুক য়ারিবা সিফাইশিংনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক থৌদৌশিং চাং নাইনা চত্থরকখি। তমথিনা ফু-চৈবা, ইলেক্ট্রিক্লা চিংহনবা অমসুং ইরাক্ল হনবা অসিনচিংবা য়াওনা অওৎ-অনৈগী থৌদোক অসি ওন্থোক্লা তোয়খ্রে। মরম চাদনা ফাবা-পুনবা অমসুং ৱায়েল-চৈরাক্কী চৎনবী কান্থোক্লগা মী হাৎপসু লেপ্তুনা চথে। মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী মী ফাবা মতমদা 'এরেস্ট মেমো' পিগদবনি হায়বা চৎনলোন অমা হৌদোকখিবদগী, নৌনা মী মাংবনচিংবা হন্থরকখি, অদুবু ১৯৮০ অমসুং ১৯৯০ গী চহি পরিংদা 'মাংখিবা' মীওই ১৭ লোম হৌজিকসু মফম খঙদ্রি।[২৭]

মণিপুরীশিংনা অফসপা মুথৎনবগী ইহৌ খোঙজং চংশিল্লকখিবসি ফনা শাংলে। মখোয়দুগী মরক্তা মশা মথন্তা মৈ থাজদুনা প্রোটেস্ট তৌবা অমদি আর্মী কেম্প মমাংদা মফি থোংদবা খোঙজং চৎথবফাও য়াওখ্রে। ইরোম চনু শর্মিলা কৌবী হিউমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট অমনা ইং কুমজা ২০০০ দগী ঙসিফাওবা শিদ্রিফাওবা চারা হেনবগী খোঙজং চত্থদুনা লাক্লি। মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা ডাক্তরশিংনা ফোর্স-ফিদিং তৌরগা হিংহন্দুনা থমলক্লি।[২৮]

অফসপাগী মায়োক্তা চংশিল্লকখিবা ইহৌ অসিগী পনখৈ অমা ইং কুমজা ২০০৪ গী জুলাই থাদা থাংজম মোনোরামা দেবী কৌবী লৈশাবী অমা শিবগী মতাংদা য়ৌরকখি। আসাম রাইফলসকী সিফাইশিংনা ফাখ্রবা মতুং, মোনোরমা মথংগী অয়ুক্তা ময়ুম মনাক্কী ঙারিয়ান্দা শিনা ফংখিবনি।[২৯] মহাক্কী হকচাংগী মখা থংবা শরুক্তা নোংমৈনা কাপশিল্লন্থা অদুনা মরম ওইরগা মহাক অসি শরাক তমবীরবা মতুং মদুগী খুদম চাংদমশিং কুপশিন্নবা নোংমৈ কাপশিনবা ওইরমগনি হায়বগী চিংনবা লাকহনখি।[৩০] মোনোরমা মীশি অদুগী মতুং চয়োল কয়ামুক মণিপুরীশিংনা অফসপা মুথৎনবগী অকনবা খোঙজং চংশিনখি।

ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মমৈদা অফসপা রিভিয়ু তৌনবগীদমক জষ্টিস বি পি জিবন রেদ্দি কমিতি শেমখি। কমিতি অদুনা ইং কুমজা ২০০৫ গী জুন ৬ তা লানখৎলকখিবা রিপোর্টতা এক্ত অসিবু মথুৎনবা রিকমেন্দ তৌখি।[৩১] অদুবু কমিতিগী রিকমেন্দেসন অদুদা সরকারনা থবক পাইখৎতনা লৈরি।

*মেঘালায়া*

মেঘালায়াদা য়েৎনবা য়েংথিনবগী মরু অসি ষ্টেট অসিগী ট্রাইবেল প্রজাশিংগা ১৯৪৭ কী ভারত অনি খায়দোকখিবা অদুগী মতুং বঙ্গলাদেস্তগী হায়জিল্লকখিবা ট্রাইবেল নত্তবা মীতোপশিং অনিগী য়ানদবদগী ময়োন চোংখৎলকপনি হায়বা য়াই। ১৯৮০ গী চহি পরিং লোইশিল্লকপা অদুৱাইদা ষ্টেট অসিদা লালহৌবগী ইরাং লাকখি। লোয়ননা ইং কুমজা ১৯৯০ গী নবেম্বর থাদা আসামগা লোন্নবা মেঘালায়াগী ঙমখৈ লমদা কিলোমিটর ২০ গী পরিংদা দিস্টর্ব এরিয়া লাওথোকখি।[৩২]

অফসপাগী মখাদা সিফাইশিংনা মেঘালায়াদা অওৎ-অনৈ মশীং খঙদনা চত্থরি। ১৯৯৭-৯৮ দা চৎথখিবা 'ওপরেসন বার্দি' দা খাশি নুপী কয়া সিফাইশিংনা শরাক তম্বীখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ। এন এস সি এন না চৎথরকপা লান অদুগী খুৎ হনবদা আসাম রাইফলসনা লানগী আইন থুগাইরগা নুপীশিংবু চুঙ্গোয় ওইনা শিজিন্নখি। সিফাইশিংদুনা মখোয়গী নোংমৈ মতোনশিংদু নুপীশিংগী মরেংজুমদা থল্লগা লালহৌবশিংগা লান শোক্লখি।[৩৩] হৌজিক মেঘালায়াদা হিংশাগী থৌদোক ৱাথোকশিং হন্থরকখ্রবসু মরম চাদনা ফাবা-পুনবা, রেপ অমসুং অওৎ-অনৈগী ৱাকৎ কয়াদি ঙসিফাওবা নিংথিনা অমত্তা থিজিনদ্রি।

*মীজোরাম*

ইং কুমজা ১৯৬৭ কী জনুৱারি থাদা মীজোরাম অপুনববু দিস্টর্ব এরিয়া লাওথোকখি।[৩৪] অদুবু ইং কুমজা ১৯৮৬ কি জুন থাদা শান্তিগী য়ানবা অমা শোয় তৌনখিবগা লোয়ননা মীজোরামদা অফসপা অসি চৎনখিদ্রে, অদু ওইদুনসু এক্ত অসি 'তূমলিবা' আইন হায়বদু ওইরি।[৩৫]

১৯৬০ চহি পরিং হৌরকপদা থোকখিবা চাক্তাংবা অমসুং সরকারগী থওই-ৱাওইদবা মতৌদগী অহৌবদা তেংবাং লুপ ওইনা শেমগৎখিবা মীজো নেস্নেল ফ্রন্টনা খুৎলাই পায়বা লালহৌ ওইনা হৌরকখি।[৩৬] চহি ২০ হেন্না মুক্লখিবা অদুদা অফসপাগী মরুমদা মীজোশিংগী হক্তা অথিংবা অপনবা কয়া থমজিনখি। অমদি হক খোঙ্গোওনখি। পাক-শন্না ওৎ-নৈবা, রেপ তৌবা, ৱায়েল চত্থদনা হাৎতোকপা অমসুং নমদুনা ফাজিনবগী ৱাকৎ কয়া লাকখি।

অফসপাগী মখাদা লান্মী লৈঙাক চলাইবা অতৈ মফমগুম্না মীজোরামগী নুপীশিংসু সিফাইগী হক খোঙ্গোওনবা থৌদোকশিং, মরুওইনা রেপ, নমজা-নমথেক্লবা অমসুং মরম চাদনা ফাবা-পুনবা অসিনচিংবা চৈথেং ফংখি। খুদম ওইনা, লিয়ানথাংভুৱাঙা কৌবী নুপী অমা মশাগী চহি ১৩ শুরকপদা সিফাই ৫ না রেপ তৌবিখি। মহাক নান্থোক্তুনা চেল্লকখি, অদুবু মখা তানা মহাক্কী অপোকপা মপাবু সিফাইশিংনা ওৎ-নৈবিবগী চৈনা চৈথেং অদুসু মায়োক্লখি। লিয়ানথাংভুৱাঙানা হায়বদা, মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি মরৈকাইগী মীওইশিংনা থৌদোকশিং অদু কাওথোকপনা হেন্না ফৈ খনখিবদুনা মহাক্লা চহি কয়ামুক মহাক্কী চৈথেং-চৈনা অদু কনামত্তদা হায়দোকখিদে। অহোইনদুম, মহাক্তি ওফিসারশিং অদুনা নমজা নমথেকখিবা অদুগী খল্লু খল্লুরগা ইকাই-ফিরুক খুমখি।[৩৭]

*নাগালেন্দ*

বৃটিশনা লমদম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদা নাগাশিংনা ভারত লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপখি। মশানা মশাবু লৈঙাকচবা ঙম্নবা রাজনিতিগী পান্থৈ থিবদা নাগা হিলসকী মীয়ামনা নাগা নেস্নেল কাউন্সিল (এন এন সি) গী বেনর মখাদা পূনশিনখি। ভারতনা নাগাশিংগী লম অসিসু ভারতকী খুৎ চল্লে হায়না লাওথোরকপা মতমদা এন এন সি না নিংতম্বা লাওথোকপগা লোয়ননা খুৎলাই পায়বা লালহৌ চংশিনবা হৌখি। তোঙান তাবগী ইহৌ অদু লোইশিন্নবা ১৯৫৮ দা অফসপা অসি আইন ওইনা শেমলকখিবনি।[৩৮]

এন এন সি অসি মচেৎ তারকখিবগা লোয়ননা নেস্নেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সি এন) না লালহৌ অসিবু লাকশিনখিবদুনা ১৯৮০ য়ৌরকপদা মসিনা অৱাং নোংপোক্তা খ্বাইদগী মরুওইবা লালহৌলুপ অমা ওইরকখি। এন এস সি এনসু য়ানরক্তবদগী মচেৎ অনি থোক্লা কায়খি। এন এস সি এন-আই এম অমসুং এন এস সি এন-কে হায়রিবা ফেক্সন অনি অসি য়ৈখায়নরকপদা মীশি-মীনা কয়ামুক থোকখি।[৩৯] নাগা অইবা তেমসুলা আওনা হায়বদা, মাইপাকপদি কনামত্তা য়াওদে চৈথেং চৈনাখক্তনি ফংলিবা। চৈথেং ফংলিবশিংনা মায়োক্লরিবসি মখোয়গী হকচাংদা শোয়নাইহনবা অমসুং মপুন্সি মাংবা অদুখক্তা নত্তে, মখোয়গী মীওই সংসার অদুমক য়ৈথেকপদা নত্তনা খোঙ্গাওনবীরবনি। মদুনা হিংহৌরিবশিংগী পুক্লিং ৱাখল অনিমক্তা দাগফমতনা পিক থলহল্লি।[৪০]

নাগালেন্দদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না মখোয়না চহি ৫০ অফসপাগী মরুমদা হিংলকপা অসিদা মসিবু লান্না শিজিন্নবগী ৱাকৎ কয়ামুক থাঙ্গৎলি।[৮১] সিফাই ময়াম লৈবসি মখোয়গী নুংতিগী পুন্সিগী শরূক অমা

ওইরে। হিংশানা শোক্তবা ইমুং অমত্তবু লৈরমলোই। সিফাইশিংনা মশীং লাকঙমদ্রবা মীহাৎ-মীপুন, মী মাংহনবা লোয়ননা নুপীশিংবু নমজা-নমথেক্লবা, রেপ তৌবীবা কয়া চথখি।[৪২]

অফসপা চলাইবা মফমশিংদা লান্মী লৈঙাক্লা ওইহল্লকখিবা তু-চুংলবা ফিভম অসিগী খুদম অমা ওইনা ইং কুজা ১৯৯৫ দা কোহিমা টাউনদা থোকখিবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অদু পনবা য়াই। টাউন অদুদা টায়ার পোকখাইবগী মখোল তাবদা সিফাইশিংনা বোম ওইরবোই নিংদুনা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপখি। পুং ১ রোম হেন্না নোংমৈ কাপখিবা অদুদা চহি ৩ অমসুং ৮দা ঙায়রিবী নুপীমচা অনি য়াওনা মীচম ৭ শিখি। অঙাং ৭ য়াওনা অতোপ্পা মীচম ২২ অমগসু শাথিনা শোকখি।[৪৩]

*ট্রিপুরা*

ট্রিপুরা ষ্টেটতা অফসপা অসি ইং কুমজা ১৯৭০ গী নবেম্বর থাদগী চৎনরকখিবনি।[৪৪] হৌজিক হৌজিক, ষ্টেট অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিকশিং ওইরিবা ট্রিপুরা ওটোনোমস ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিংবু দিস্টর্ব এরিয়া লাওথোক্লি।[৪৫] ট্রিপুরাদা লালহৌবগী ইরাং অসি বঙ্গলাদেস্তগী মীওই কয়া হায়জিল্লকখিবগী মায়োক্তা থোরকখিবনি। মহৌশাদগী ষ্টেট অসিদা লৈরক্লবা ট্রাইবেল মীয়ামদি ইং কুমজা ১৯৯১ দা চাদা ৩১গী চাংদা হন্থরকখিবগা লোয়ননা চীংনুং মানুংদা নমদুনা চংহনখি অদুগা নৌনা লাকপা মীতোপশিংনা সরকারগী থবক অমদি লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমশিং পায়শিনখি। ওল ট্রিপুরা টাইগর ফোর্স (এ টি টি এফ) অমসুং নেস্নেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ট্রিপুরা (এন এল এফ টি) গী লিচিং মখাদা হৌজিকসু ট্রাইবেলশিংনা লালহৌ চৎথরি।[৪৬]

ট্রিপুরাগী মুক্লবা অসিদা সেকুরিতি ফোর্সনা ট্রাইবেল নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিংনা শক্তম হায়বদু ওইরি। ময়াম্না খ্বাইদগী খঙনবা থৌদোক অমদি আসাম রাইফলসনা উজন মৈদান্দা ট্রাইবেল নুপী ১৪ ইং কুমজা ১৯৮৮দা ময়াম চংদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন নমদুনা পাদোংবীখি।[৪৭] রেপ অমদি নমজা নমথেক্লবগী থৌদোকশিং হৌজিকসু থোক্লি। ইং কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুয়ারি ৬তা ধোলাই ডিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা থিবা-হুন্বগী ওপরেসন অমদা আসাম রাইফলসনা ট্রাইবেল নুপী ৩ ময়াম চংদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন নমদুনা পাদোংবীখি। রেপ তৌবিখ্রবা নুপী অমদি মীরোল্লবিনি। অদুবু থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা অঙাং অদু কায়খি হায়।[৪৮]

*পঞ্জাব*

পঞ্জাব ষ্টেটসু ইং কুমজা ১৯৮৩ দগী ১৯৯৭ ফাওবা আর্মদ ফোর্সেস (পঞ্জাব এন্দ চান্দিগর) স্পেসিয়েল পৱারস এক্টকী মখাদা দিস্টর্ব এরিয়ানি হায়না লাওথোকখি।[৪৯] হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা শীখশিংনা তোখায় তানবা হৌখিবা লালহৌ অমসুং মদু থেংননবা ভারত সরকারনা চথখিবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন্না মরম ওইরগা মী লিশিং কয়া শিখি।

লালহৌ অদুগী মনুংদা শীখ মিলিটেন্টশিংনা শাথিবা মওংদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদৌ কয়া চথখি, মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী শেলমিৎলোনবু লাকথুখি অমদি পাক-শন্না নমফু শেনখায় অমসুং নমদুনা লম লৌশিনবনচিংবা কয়া থোরকখি।[৫০]

লালহৌবশিং লাকথুনবা ভারত সরকারনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন কয়া চথহল্লকখিবনা মরম ওইরগা মরম চাদনা ফাবা-পুনবা, অওৎ-অনৈ, ৱায়েল তৌদনা হাৎতোকপা, শীখ লিশিং কয়া মথোং খঙদনা মাংহনখিবা অসিনচিংবা কয়া থোকখি।[৫১] অফসপা য়াওনা লালহৌবা থেংননবা অখন্নবা আইন কয়া চলাইবনা মরম ওইরগা মীচম অমদি লালহৌবশিং মফম খঙদনা মাংবা অমসুং ৱায়েল চথদনা হাৎতোকপগী থৌদোক মশীং হেঙ্গৎহনখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখোয়গী ক্রাইমশিংগী খুদম চাংদমশিং লোৎশিন্নবা, অশিবা হকচাংশিং লোন্না লোয়শিনবগী থৌদৌ চথখি, মরুওইনা মৈ থাদোকখি। লালহৌবগী ইরাং নেমথখ্রবসু সিফাইশিংগী মখুৎতা হক খোঙ্গাওনবগী চৈনা ফংখিবা ইমুং-মনুংশিংনা ৱায়েল চৈরাক চথনবা হৌজিকসু ৱাকৎপা লেপত্রি। সরকারগী মাইকৈদগী মসিগুম্বা ৱাকৎ অমতা তাদে। মখোয়না হায়, অসুমনা ৱায়েল চৈরাক্কী থবক হেক চথরুবদা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা খুদোংথিবা ফিভমদা থবক তৌরিবা সিফাইশিংগী মোরেলদা অকায়বা লাক্কনি।[৫২]

*জম্মু এন্দ কাস্মির*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদসু, আর্মদ ফোর্সেস (জম্মু এন্দ কাশ্মির) স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট হায়বা অফসপাগা মান্নবা আইন অমা ইং কুমজা ১৯৯০ দা পাস তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অপূনববু দিস্টর্ব এরিয়া লাওথোকখি। মদুদগী মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিং পাক-শন্না থোরকখি।

ইং কুমজা ১৯৮৯দগী হৌনা ষ্টেট অসিদা হক খোঙ্গোওনবদা হৈনরবা ভারতকী সিফাইশিং অমসুং পাকিস্তান সরকারনা ঙাক্লৌ পিদুনা ষ্টেট অসিদা তোখায় তানবগী শাথিরবা ইহৌ হৌরিবা লালহৌবশিং অনিগী খুৎলাই পায়বা মুক্লবদা কাশ্মিরীশিং চপখায়দুনা হিংলি। য়ামদ্রবদা কাশ্মিরী মীচম ২০,০০০ রোম মুক্লবা অসিদা শিখ্রে। লালহৌবা অমদি সরকারগী সিফাই অনিমক্লা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌদোকশিং মশীং খঙদনা অমদি পাক-শন্না চথরি। ৱায়েল চথদনা মী হাৎপগী থবক তোয়না চথরি। পুলিস অমদি আর্মী ওফিসিয়েলশিংনা হিউমেন রাইটস ৱাটচতা হায়বদা মখোয়না মনুংকল্লবা লালহৌবশিং অসিবু জেলদা থম্বসি সেক্যুরিতিগী খুদোংথিবা লৈ হায়না থাজবনা ফারক্লিবা লালহৌবশিং অসি ৱায়েল বিচার চথবগী মহুত্তা অয়াম্বনা হাৎতোকই।[৫৩]

অতৈ অওৎ-অনৈ অমদি মরম চাদনা ফাবা-পুনবগী ৱাকৎ কয়াসু লৈ। মুক্লবা অসি হৌরকখিবদগী মীওই লিশিং কয়া নমদুনা মাংহনখ্রে।[৫৪] ময়াম্না থাজনরিবদি, মখোয়সি হাৎতোক্লবা মতুং ফুমজিনখিবনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা হায়রিবনা ফুমলিবশিংদু মশক-খঙদ্রবা লালহৌবশিংনি। অসুম্না ফুমজিনখ্রবশিং অসিগী মশক মমিং খঙবা ঙম্নবা ফোরেন্সিক টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মনিংতম্বা ইনভেস্টিগেসন চথনবা মীওইবগী হক য়োকখৎনবা হোৎনরিবা লুপশিংনা মতম শাংনদগী দাবী তৌরকপনি। মদুদা সরকারনা পাউখুম পিদনা লৈরি।

থৌদোক কয়ামুক্তা, আর্মদ ফোর্সেস (জম্মু এন্দ কাশ্মির) স্পেসিয়েল পৱারস এক্টকী শক্তি মখাদা সিফাইশিংনা মীচমশিং কাপ্তুনা হাৎলি। খুদম ওইনা, ইং কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুয়ারি ২৩ দা হন্দৱারাদা অঙাং ময়াম ক্রিকেট শান্নরিঙৈ মখোয়গী মরক্তা লালহৌবা অমা য়াওরে হায়বগী চিংনবদা সিফাইশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদগী চহি ৮ দা ঙায়রিবা অঙাং অমা য়াওনা অঙাং ৪ শিখি।[৫৫] আর্মী মশানফাওবা, অসিগুম্বা নোংমৈ কাপ্পা য়াওবগী অহেনবা শক্তিশিং অসিনা শোয়বা-ঙাম্বা হেক হেক থোকহল্লি। ইং কুমজা ২০০৫ গী জুলাই থাদা কুপৱারাদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা ৩ না নুমিদাংগী মতমদা লোন্না চুরুট থক্লবগী থোরকপদা সিফাইশিংনা ৱার্নিং পিদনা কাপশিনখিবদু 'শোয়বদগীনি' হায়না আর্মীনা শেংদোকপা লৈখি।[৫৬] অসিগুম্বা 'অশোয়বা' অসি য়াম্না তোয়না থোকমল্লদনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়ামসু খোয়শাওনবা হেঙ্গৎহল্লি।

*অফসপানা তৌনিংবতা তৌবা য়াহনবা*

মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরিবশিংগী মথক্তা ষ্টেটনা হায়বদি সরকারনা ৱায়েল-বিচার চত্থবা অমদি মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পিদ্রবকান্দা ‘ইমপ্যুনিতি’ হায়বসি থোকই।[৫৭] ইমপ্যুনিতি হায়বসি মখল অনি থোক্লা খায়দোকপা য়াই।

সরকারনা তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল নৎত্রগা নুঙগী ওইবা ফিরেপ ৱারেপ লৌজবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতবদগী (অয়াম্বা মতমদা রাজনিতিগী ওইবা মরম ওইগল্লি) ৱায়েল-বিচার চত্থবা ঙমদবা মতমদা *দিফেক্টো ইমপ্যুনিতি* হায়বসি থোকই। খুদম ওইনা, সরকারনা অদুগুম্বা হক খোঙ্গাওনবা অদুবু শৌগৎলবা নৎত্রগা, মকোক থোংবা ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেটকী ওইবা ইন্সটিট্যুসনশিং কন্থোকপা অসিনচিংবনি। *দিফেক্টো ইমপ্যুনিতি* অসি ভারত্তদি য়াম্না মরাং কায়না লৈ। য়াম্না নিংথিনা মচাক-মথুম খোমজিল্লবা দোকুমেন্ট তৌরবা কেশশিংদফাওবা ৱায়েল বিচার চত্থনবা রাজনিতিগী ওইবা পাঙ্গল অদু লৈতে।

অনিশুবা মখলসিনা ‘ডি জুরে ইমপ্যুনিতি’ হায়বসিনি। মসিদদি, মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌদোকশিংদা ৱায়েল-বিচার চত্থবদা খুরৌ য়াম্না থাংহনবা নৎত্রগা শুকয়া য়াহন্দনবা আইন অমদি নিয়মশিং শেমলগা মরাল য়াহন্দবা নৎত্রগা কোকপিবা অসিনি। ভারত্তা সরকারনা মাগী সিফাইশিং অমদি সিভিল ওফিসিয়েলশিং কন্থোকপা য়ানবা আইন কয়ামুক চলাইরি। মসিগুম্বা আইনশিং অসি মালেমগী ওইবা মীওইবগী হক য়োকখৎনবা লিংলিবা আইনশিংদা ৱায়েল-বিচার ফংজনবগী অমদি শাথিবা মওংদা হক খোঙ্গোইনবা থৌদোকশিংগী ৱায়েল চৈরাক পিনবগী লৈরিবা শিংককশিংগী ওন্ন-তৈনবনি।[৫৮]

ইমপ্যুনিতি মখল অনিমকসিনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক থৌদৌ হেন্না চত্থহন্নবা মরম ওইবতা নত্তনা সরকার অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সতা লৈরিবা থাজবা অদু অসুম মাংশিল্লকই। (মীওইবগী হক) খোঙ্গাওনবগী চৈনা-চৈথেং ফংলিবা মীওইশিংদা সরকারনা মখোয়গী অৱা-অনা উবিদে অমসুং অৱা-অনা তাহল্লি হায়বা নেগেটিব ওইবা ৱাখল মীৎয়েং অমা ডি-জুরে ইমপ্যুনিতিনা পোকহল্লকই। ভারতকী আইনশিংদা মরাল য়াহন্দবা শিংককশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিরিবসু অফসপাগী মখাদা ওপরেট তৌরিবশিংবু ৱায়েল চৈরাক কাংলোনগী ৱাংমদা থম্বা শিংকক অদুনি। সিফাইশিংগী মথক্তা ৱায়েল-বিচার চত্থবা থৌরাংবু থিংবদা শিংকক অসি য়াম্না তোয়না শিজিন্নে। অফসপাগী মখাদা, সিফাইশিংগী মথক্তা ষ্টেটনা ৱায়েল-বিচার চত্থনবগীদমক ভারত সরকারদগী মাংজৌননা অয়াবা লৌবা মথৌ তাহল্লি।[৫৯] অয়াবা অসিদি পংনা পিদে। মসিমক মণিপুরগী মনোরামা কেশতা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মশক নাইবা কেস কয়াদা থোকখি।[৬০]

মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবদা চেন্নবা সিফাইশিং অসি মিলিটরি কোর্টশিংদা ৱায়েল-বিচার চত্থে হায়না ভারত সরকারনা ক্লেম তৌরি। আর্মী এক্টকী মখাদা সিফাই অমবু মাগী মরালগীদমক কোর্ট মার্শিয়েল তৌনবা সিভিল কষ্টদিদগী মিলিটরি কষ্টদিদা ট্রান্সফার তৌবা য়াহল্লি।[৬১]

অদুম্নদি ওইরগা, লৈরিবা ঈ-পাউশিংদদি মিলিটরি অথরিতিনা মাগী সিফাই অমদি ওফিসারশিংবু মখোয়না কাহেনবা নিতি চত্থখিবগীদমক মপুংফানা অমদি মতিকচানা ৱায়েল-বিচার চত্থরি হায়বগী খুদম চাংদমদি য়াম্না লিকই।[৬২] মিলিটরি অথরিতিনা সিফাইশিংগী মথক্তা ৱায়েল-বিচার ইচৎ-চৎথদে হায়বগী খুদম অমা পনবা তারবদি ইং কুমজা ২০০০ পাথিরাবালদা সিফাইনা মীওই ৫ লালহৌবনি হায়জিন্দুনা হাৎখিবা মশক নাইবা কেশ অদুদাফাও মিলিটরিনা ৱায়েল-বিচার চত্থখিদে। হায়রিবা মীওই ৫দু লালহৌবা নত্তে, মফমদুগী ইচম চম্বা খুঙ্গাশিংনি হায়বসিগী খুদম চাংদমশিং ইং কুমজা ২০০১দা চপ চানা পুথোরক্তুনা মীহাৎ অদুদা সিফাইগী দায়িত্ব ময়েক শেংনা উৎখ্রবনি।[৬৩] চহি ৫ হেন্না মিলিটরি প্রোসিকুটরশিংনা কেশ অদু মপুংফানা থিজিন্দবরা নৎত্রগা মাগী ওফিসারশিংগী মথক্তা মরম হংহন্নিংদবনরা তুমিন লৈখিবদগী সিভিল কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা কেশশিং অদুগা মরি লৈননা ইং কুমজা ২০০৬ তা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেসটিগেসন (সি বি আই) না হায়রিবা ওফিসার ৫দুগী মথক্তা মীহাৎ অদুগা মরি লৈননা (ক্রিমিনেল) চার্জশিট থাগৎখি।[৬৪] হৌজিকফাওবদসু, সিভিল কোর্টতা সিফাইশিং ৱায়েল-বিচার চত্থবগী মতাংদা লৈরিবা চৎনবী নিয়মগী ওইবা খুরৌশিংনা মরম ওইরগা কেশ অসিগী ত্রাইয়েল চত্থগদ্রা হায়বসু মথোং খঙদ্রি[৬৫]।

*অফসপা মুথৎপা*

আর্মদ ফোসেস স্পেসিয়ল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ অমসুং আর্মদ ফোর্সেস (জম্মু এন্দ কাশ্মির) স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট ১৯৯০ অসি মুথৎপা তৌনবা হিউমেন রাইটস ৱাটচনা ভারত সরকারদা দাবি তৌরি।

অফসপা হায়বসি কাহেনবা নিতি, অওৎ-অনৈ অমসুং য়োংলৈ মেলৈ নাইবগী শক্লোন পুবা আইন অমনি। মসিবু চৎনবা অমদি লান্না শিজিন্নবা অসিনা অওৎ-অনৈ অমসুং ইমপ্যুনিতিগী জাগোর অমা শেমগৎলি লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লালহৌবগী ইহুল ৱাংখৎহল্লি। অফসপানা চহি ৫০ চৎনরকপা অসিদা লালহৌলুপ মশীং হেঙ্গৎলকলিবা অসিনা তাকলিবদি মীওইবগী হক থওইদনা খুৎলাই পায়বা লালহৌ থেংনবা হায়বসি করিমত্তা কান্নদ্রে অসিনি।

অফসপা মুথৎলু হায়রিবসি হিউমেন রাইটস ৱাটচ খক্তনা হায়বা নত্তে। ভারত্তা লৈরিবা হিউমেন রাইটসকী লুপ কয়ানসু এক্ট অসি মুথৎনবা চহি কয়া কয়া দাবী তৌরক্লিবনি। আইন অসিবু মুথৎনবা লাওরিবা ভারতকী অতৈ খোঞ্জেলশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি ঃ-

- বি পি জিবন রেদ্দি কমিতি (২০০৫)[৬৬]
- এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মস কমিতি, ২০০৭ (ভিরাপ্পান মোইলিনা লুচিংবা)[৬৭] অমসুং
- মহম্মদ হমিদ অনশারিনা লুচিংবা ৱার্কিং গ্রুপ ওন কনফিদেন্স বিলদিং মেজরস ইন জম্মু এন্দ কাশ্মির, ২০০৭।[৬৮]

মালেমগী থাক্তা এক্ট অসিবু রিপিল তৌনবা দাবী তৌরিবা ঃ

- য়ু এন স্পেসিয়েল রাপোটিয়র ওন এক্সট্রা জুদিসিয়ল, সম্মরি ওর অরবিট্রেরি এক্সিক্যুসন্স (২০০৬);[৬৯]
- কমিতি ওন ইলিমিনেসন ওফ দিস্ক্রিমিনেসন এগেনষ্ট ৱুমেন, ২০০৭[৭০]
- কমিতি ওন ইলিমিনেসন ওফ রেসিয়েল দিস্ক্রিমিনেসন, ২০০৭[৭১]

(ভারতনা) অফসপাদা হৌজিকসু তাংজদুনা লৈবা অমদি দিস্টর্ব ওইরে হায়রিবা মফমশিংদা সিফাইশিংনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদৌশিং চত্থবগী মতাংদা য়ু এন হিউমেন রাইটস কমিতিনা ১৯৯৭ তা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রবনি। মফমশিং অদুদা সিফাইশিংনা তৌংবিতা তৌবা য়াহনবা ফিভম অমা শেমগৎলকলিবা অমসুং অখন্নবা শক্তি পাইদুনা থবক তৌরিবা সিফাইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক থনা লৌখৎপদা সরকারগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাহনবদগী ৱায়েল-বিচার ফংজনবগী হকশিং মাংশিল্লকপগী মতাংদসু নুংনাংবা ফোঙদোকখি। কমিতি অদুনা হায়রিবা অয়াবা লৌবগী মথৌ তাহনবা (শিংকক) অসি মুথৎনবা

রিক্কমেন্দ তৌখি।[৭২]

অফসপা অসি করিগুম্বা রিপিল তৌখিবা তারবা, হৌজিক অফসপা চৎনরিবা মফমশিংদা লালহৌবা থেংননবগীদমক মতুংদা শেমলকপা আইন খুদিংমক মালেমগী ওইবা হিউমেন রাইটসকী আইন অমসুং ইন্টরনেস্নেল হিউমেনিটরিয়ান লোবু ঙাক্লা চৎকদবনি। হায়রিবা আইনশিং অদুদা সিফাইশিংনা আইন কায়বা থৌদোক চথবগী মতাংদা ঈ-পাউ পিবা, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং ৱায়েল-বিচার চথবদা অপনবা অমত্তা পিহল্লোইদবনি।

এন্দনোটশিং ঃ